

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, DECEMBER 07, 2018 PAGE 7



*বোক্সিংদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংনবগী য়ুএসএগী মেদিসন স্কৱার গার্দেনদা বাওট থিন্নিনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবা ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর বিজেন্দর সিংহ*

*চহী ৮২গী রেকোর্দ থুগায়দুনা মেটচ ৩৩ দা খ্বাইদগী থুনা ৱিকেট ২০০ লৌদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রবা পাকিস্তানগী বোল্লর য়াসির সাহ*

## ফ্রান্সনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেন অমসুং ন্যু জিলেন্দ ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে



ফ্রান্সকী শান্নরোই অনীনা আর্জেন্টিনাবু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল এ গী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে, পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেন অমসুং ন্যু জিলেন্দ পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে।

ফ্রান্স অমসুং আর্জেন্টিনানা শান্নখিবা পুল এ গী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই বেপটিষ্ট জিন ফোরগুসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

শান্নবগী ২৩ অমসুং ২৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই ইটিনি টিনেভেজ অমসুং এরিষ্টিদেনা পাঞ্জল অমমম চল্লগা আর্জেন্টিনাবু ৩–০ দা হেন্দুনা চৎখি। ২৮শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই লুকাস মার্টিনেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা গাস্পার্দ বাওমগার্টেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন দুনা ৪–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৪ অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই গোঞ্জালো পৈল্লাটনা পাঞ্জল অনী চনশিনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফ্রাঙ্কোইস গোয়েটনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা রিও ওলিম্পিক্সকী চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরমখি।

পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেন অমসুং ন্যু জিলেন্দ পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা অলবার্ট বেল্ট্রাননা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ২৭শুবা মিনটতা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই অলভারো ইগ্লেসিয়াসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোই হেদেন ফিলিপ্সনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবা মতুং টিমমেট কেন রুজেলনা ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা মেটচ অদু পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## পুজারাগী সেঞ্চুরিনা অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৫০ লৌদুনা লৈরি



*এদিলেদ, দিসেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুং চন্না ঙসি এদিলেদতা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারাগী সেঞ্চুরিগী মতেংনা অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৫০ লৌদুনা লৈরি।

ঙসিদগী হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপনি। স্কোর বোর্দতা শুপ্নগী রন ১৫ খক ঙাইরিঙৈদা ইন্দিয়াগী ওপনর অনীমক আওট ওইখিবদগী টিম অসিগী ফিভম শোকচিনখিবনি।

ওপনর লোকেস রাহুল অমসুং মুরালি বিজয় মথংশিংনা রন ২ অমসুং ১১ লৌরগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা চিটেশ্বর পুজারা অমসুং কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

কেপ্টেন কোহলি শুপ্নগী রন ৩ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা রজিনক্য রহানেসু মপুং ফানা রন লৌবদা ঙমদনা আওট ওইখি। মহাক শুপ্নগী রন ১৩ খক লৌরমখি।

৬শুবা বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা চিটেশ্বর পুজারাগা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইনিদয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ১০০ নকশিহল্লকখি। রোহিট শর্ম্ম বোল ৬১ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ২ য়ৈরম্লগা রন ৩৭ তা আওট ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন রিসব পন্টসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২৫ হাপচিল্লমখি। মখা তানা চঙলকখিবা ওল রাউন্দর রবিন্দ্র জাদেজাসু বোল ৭৬ মায়োক্লবদা ফোর অমা য়ৈরগা রন ২৫ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৮৯ দা ৱিকেট ৭ তুখি।

৯শুবা বেটসমেন ইসান্ট শর্ম্মসু রন ৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা চিটেশ্বর পুজারানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ২৪৬ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ১২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী অহানবা টেষ্ট মেটচ অসিগী অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৫০ লৌদুনা লৈরি। ইনিদয়াগী অহানবা ইন্নিংস অসিদা মোহমদ সামী বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ৬ লৌরগা আওট ওইদনা ক্রিজদা লৈরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লিং মায়কৈদা মিটচেল ষ্টার্ক, জোস হেজলৱুদ, পেট কুম্মীন্স অমসুং নাথাল লিওননা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহনখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা লিভরপুল মায় পাকখ্রে মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং আর্সনেল ড্রো চৎখ্রে



লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা উৎপা

*লন্দন, দিসেম্বর ০৬ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিভরপুলনা বর্নলিবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং আর্সনেল পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী লিভরপুল অমসুং বর্নলিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা বর্নলিগী শান্নরোই জেক কোর্কনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

৬২শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোই জেমস মিলনরনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। মখা তাবা মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রোবার্টো ফরমিনোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অরোইবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোই ঝেরদান সাকিরিনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু বর্নলিবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং আর্সনেল পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎখি।

শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই স্কোদ্রান মুস্তফিনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৩০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই এন্থোনি মার্সিয়েলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা আলেকজান্দ্রি লাকাজেটনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মিনট অমা লৈরগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জেসি লিনগার্দনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–২ দা ড্রো চৎখি।

## ফিফানা পাকিস্টান ফুটবোল মখা তানা অথিংবা থম্লক্কদৌরি

*করাচি, দিসেম্বর ০৬ঃ*

পাকিস্টানগী সুপ্রিম কোর্টকী মতুংইন্না ইলেক্সন পাঙথোক্লবদি পাকিস্টান ফুটবোল ফেদরেসন(পিএফএফ) মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি ৱার্ল্ড ফুটবোল ফেদরেসন (ফিফা) না মখা তানা অথিংবা থম্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

পিএফএফকী প্রসিদেন্ট সায়েদ ফাইজাল সালে হায়াট য়াওরগা ফুটবোল বোদি অসিগী ইলেক্সন অতোপ্পা অহুমশুবা পার্টি য়াওদনা পাঙথোকপা য়াগনি হায়না ফিফানা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখি। অদুবু ফিফাগী পাউতাক ইন্দনা কুমজা ২০১৫ দা সায়েদ ফাইজাল সালে হায়াটবু পিএফএফকী প্রসিদেন্ট অমুক হন্না ওইহনখিবনি।

পাকিস্টানগী ফুটবোল বোদি অসি মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা ফিফানা অথিংবা থম্লকখিবনি। মখা তানা লৈবাক অসিগী ফুটবোল বোদিদা অহুমশুবা পার্টিগী খূৎ য়াওরবদি মখা তানা অথিংবা থমজিনগনি হায়না ফিফানা ৱার্নিং তৌরকখিবনি।

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯

## মুম্বাইনা চেন্নাইনবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎখ্রে



মুম্বাই সিটি এফসি অমসুং চেন্নাইন এফসিনা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচ

*মুম্বাই, দিসেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়া মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফসিনা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু য়ুম্বু টিম ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোই পাওলো মচাদোনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি। শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা চেন্নাইন এফসিগী ইলি সাবিয়াগী মখোঙ কারক্তুগী লিংথোরকপা বোল অমা মুম্বাইগী শান্নরোই রেনিয়র ফর্নান্দেজনা নীংথিনা ফারগা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখ্রবসু মুম্বাইগী দিফেন্দরশিংনা পাঞ্জল হন্দাক্লবগী খুদোংচাবা পীদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা টিম অসিনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা রাফেল বাষ্টোসনা চেন্নাইনগী দিফেন্দর অমা লান্থোক্লগা পেনাল্টি বোক্স মনুং দা পীরকপা পাস অমা টিমমেট মোদৌ সৌগৌনা গোল তম্না কাওশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা মুম্বাইনা চেন্নাইনবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লাকখিবা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকপদসু অদুমক এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। অদুবু মেটচকী মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু মুম্বাইনা চেন্নাইনবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইরম্লগা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

## কোপা দেল রে ফুটবোলদা বার্সেলোনা, রিয়েল সোসাইদেদ অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ অনীশুবা লেগকী মেটচশিং মায় পাকখ্রে



বার্সেলোনা অমসুং লিওনেসাগী শান্নরোই অনীনা বোল ফংননবা হোৎনবা

*মাদ্রিদ, দিসেম্বর ০৬ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী রাউন্দ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচশিংদা বার্সেলোনা, এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং রিয়েল সোসাইদেদ মায় পাকখ্রে।

বার্সেলোনা অমসুং লিওনেসানা ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু হৌবদগী বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা লাকখি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মুনির ইল হাদ্দাদিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ২৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই দেনিস স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মালকোমনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা বার্সেলোনানা লিওনেসাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা লিওনেসাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জেসেপ সেনেনা পাঞ্জল অমা হন্দাকপা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা দেনিস স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকখি।

টিম অনী অসিনা অহানবা লেগতা বার্সেলোনানা লিওনেসাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৫–১ দা হেনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা সেন্ট এন্দ্রিয়ুবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি। টিম অনী অসিনা মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা লেগতা এটলেটিকো মাদ্রিদনা সেন্ট এন্দ্রিয়ুবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখিবদগী এগ্রিগেটতা ৫–০ দা হেনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৪৮শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই থোমাস লেমরনা অহানবাপাঞ্জল চনখি। ৫৩ অমসুং ৫৫ শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই নিকোলা কালিনিক অমসুং এঞ্জেল কোরিয়ানা পাঞ্জল অমমম হাপচিনবা ঙমদুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৯ দা ঙাইরবা মতমদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা ভিটোলোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা মায় পাকখি।

কোপা দেল রে ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা রিয়েল সোসাইদেদনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইরমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা ১০শুবা মিনটতা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোই মাইকেল ওয়ারজাবালনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ২৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই এন্দান জানুজাজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। অহানবা লেগতা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখিবনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা রিয়েল সোসাইদেদনা সেল্টা ভিগোবু ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

## লি চোং ৱৈনা বেদমিন্টনদা হল্লক্কুনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংদা মীৎয়েং থম্লি

*কোলা লম্পুর, দিসেম্বর ০৬ঃ*

কেন্সর লায়নানা মতম শাংনা চৈথেং পীরুরবা মালেসিয়াগী বেদমিন্টন ষ্টার লি চোং ৱৈ বেদমিন্টনদা হল্লক্কুনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র য়াওননবা মীৎয়েং থমখ্রে।

অনাবা অসিনা মরম ওইরগা লি চোং ৱৈ থা ৫ রোম মশান্না অসিদগী থাদোক্কুনা লায়েং চত্থদুনা লাকখিবনি। মহাকপু য়েংশিনখিবা ডাক্তরশিংনা অনাবা অদু থা মখায় অমরোম অসিদা পুরা ফবগী খুদোংচাবা লৈবা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

মসিনা মরম ওইরগা ঙসি লৈবাক অসিগী বোদি অমা ওইরিবা মালেসিয়া বেদমিন্টনগী চীফ নোজরা কাকারিয়ানা মশান্না অসিদা মহাক অমুক হল্লক্কুনা মথং চহীগী মে ১ দগী হৌগদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংদা শরুক য়ারগনি হায়না লাওথোরকখিবনি।

মমাঙদা মশান্না অসিগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈ ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডল অহুম্লক ফংবা ঙমখ্রবনি।

হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিং ১৬শুবদা হন্থরকখ্রবা মালেসিয়াগী ষ্টার লি চোং ৱৈ জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী মতুংদা টুর্নামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াদনা লাকখিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | E | D | | T | I | N | E | | A | N | T | I | C |
| H | E | R | O | | A | G | E | S | | L | O | O | S | E |
| A | V | O | N | | S | U | I | T | | T | R | O | L | L |
| P | E | D | E | S | T | A | L | | P | A | S | T | E | L |
| E | R | E | | P | I | N | | C | U | R | E | | | |
| | | | C | R | E | A | T | O | R | | | E | R | A |
| R | E | P | A | I | R | | E | L | E | C | T | R | I | C |
| A | D | A | P | T | | C | A | T | | A | R | O | S | E |
| R | E | D | E | E | M | E | R | | E | R | A | S | E | D |
| E | N | S | | | O | D | Y | S | S | E | Y | | | |
| | | | B | A | R | E | | I | C | E | | M | E | N |
| M | O | R | A | L | E | | E | L | O | N | G | A | T | E |
| A | M | U | S | E | | A | P | E | R | | E | C | H | O |
| R | E | L | I | C | | M | I | N | T | | T | H | A | N |
| K | N | E | E | S | | A | C | T | S | | S | O | N | S |